হুইয়েন লানপাউ

লম্ফেলপাংতা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী ফিমেল হেল্থ ৱার্কর ট্রেনিং স্কুলদা পাঙথোকপা লেম্প লাইটিং, কেপ্পিং এন্দ ওথ টেকিং সেরমোনিগী শক্তম

নিংথৌগী মশীল অমা ওইনা উত্রা শঙলেন্দ সনা কোনুংনা শীন্দুনা উত্রা শঙলেন্দদা পাঙথোকপা পাখঙবা চেঙ হোংবগী থৌরমদা নিংথৌনা চেঙবা হৈবগী শক্তম

ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল/ সিভিল) ভাইভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ২০১৬ কী ফ্রেশ বেটচনা মখোয়গী রিজল্ট হায়দোকপীযু হায়না প্রোটেষ্ট তৌবা

ফক্কুং গেঙ রেপকী কোর কম্মিটিগী মখাদা নুপী-অঙাং ওৎ-নৈবা, হাৎপা অমসুং ফল্লানবা থৌদোকশিংগী মায়োক্তা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম

Vol. 41, Issue No.047 শগোলশেল, কালেন ১৬ নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, May 11, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

নুমিৎ ৬১৮ নি শুরবা চুড়াচান্দপুরগী ৱাথোক লোইশিনখ্রে

এক্স গ্রেসিয়া লুপা লাখ ৫/৫ পীরগনি, লৈঙাক্কী থবক হাপ্পগনি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কনবগা মরী লৈনবা বিল অহুম মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা পাস তৌখিবগা মরী লৈননা চুড়াচান্দপুরদা হৌরকখিবা নুমিৎ ৬১৮ নি শুরবা ঈহৌ ঙসি লৈঙাক্লা জে এ সী এগেনষ্ট দ ট্রাইবেল বিলস, চুড়াচান্দপুরগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা খুৎয়েক পীনরবা তুংদা লোইশিনখ্রে।

যুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী অন্দর সেক্রেটরি এ এন ঝানা ৰিটনেস ওইরগা সাইন তৌনখিবা এম ও যুদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা খুৎয়েক পীখি। জে এ সীগী ওইনদি চীফ কনভিনর ঐচ মাংচিনখুপ, সিমটে ট্রাইবেল কাউন্সিল জেনরেল হেদ ক্বার্টরসকী প্রসিদেন্ট বি দোংজালিয়ান সিমটে, মিজো পিপলস কনভেন্সন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ভনলাললরিনলিয়ানা, যুনাইটেদ জৌ ওর্গনাইজেসন জেনরেল হেদ ক্বার্টরসকী প্রসিদেন্ট চিনলুনথাং, য়ং পাইটে এসোসিএসন জেনরেল হেদ ক্বার্টরসকী প্রসিদেন্ট টি খাইলিয়ানথাং, টেদিম চিন যুনিয়ন হেদ ক্বার্টরসকী প্রসিদেন্ট ঐচ পাওজাসিননা খুৎয়েকপীখি।

এম ও যুদা য়াওরিবা ৱাফমশিংদি ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা বিল অহুমগী মনুংদা *প্রোটেক্সন ওফ মণিপুর পিপলস বিল*, ২০১৫ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা ৰিথহেল্ড তৌখিবগী ৱাফম ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে। অতোপ্পা বিল অনী- *মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস (সভেন্থ এমেন্দমেন্ট) বিল*, ২০১৫ অমসুং *মণিপুর শোপস এন্দ ইষ্টাব্লিশমেন্ট (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল*, ২০১৫ গী মতাংদদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা পন্দুনা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিং ষ্টেকহোল্ডরশিংদা মাঙজৌননা তানরমগনি। ইন্দিজিনস ট্রাইবেল মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা অনৌবা বিল পুখৎকদবা লৈরবদি মরী লৈনবশিংগা তানরগা কন্সটিট্যুসননা পীবা কাঙলোন ঙাক্লা থবক পায়খৎকনি।

জে এ সী এ এ টি বিনা মণিপুরগী ইন্দিজিনস ট্রাইবেল পিপলসগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতাংদা পুখৎলকপা দিমান্দ ময়েক শেংনা খঙলে। মরম অদুনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) তৌরিবা গ্রুপশিংগা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শানবদা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংবগা লোয়ননা ট্রাইবেল মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোকহন্দনবা হোৎনগনি।

বিল অহুমগী মায়োক্তা হৌখিবা ঈহৌদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫/৫ এক্স গ্রেসিয়া ওইনা পীবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী থবক অমমম্ মে ২৫ গী মমাঙদা পীরগনি। অশোক-অপন নংখ্রবা মীওই ৪৮ দা লুপা লিশিং ৫০গী কমন্সেসন মে ২৫গী মমাঙদা পীরগনি।

খোঙজংদা অশোক-অপন নংবদগী শোইনাইরবা মীওই ৮ দা লুপা লাখ ২ অমসুং গভর্ণমেন্টকী থবক অমমম্ মে ২৫গী মমাঙদা পীরগনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেল পুথোক্তুনা লমকাদা মেমোরিএল পার্ক অমা অমসুং সিংহাটতা মেমোরিএল হোল অমা শারগনি। *মখা লামায় ৩ কলম৬*

য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস) : নুমিৎ ৬১৮ নি শুরক্লবা চুড়াচান্দপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা লৈঙাক্লা জে এ সী অমদি তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিংগা য়ান-চেরোল খুৎয়েক পীনখিবদা য়াওরিবা ৱাফমশিং মে ২৫ ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসি লৈরকপা থা ১গা নুমিৎ ১২ নিরোম শুরক্লে। লৈঙাক্লা মীয়ামগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়া পায়খৎমিন্নদুনা লাক্লি। ষ্টেটসিদা লৈরম্বা তোঙান-তোঙানবা ৱাথোক কয়াগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা ঈং-তপ্পগী মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি। নুমিৎ ৬১৮ নি শুজিল্লক্লবা চুড়াচান্দপুর ৱাথোক্কী মতাংনসু ৱারোইশিন পুরক্লে। মতম শাংনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লাকখিবা লৈখিদ্রবা ৮ গী অরোইবা মথৌ মঙম থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোরক্লগনি। চুড়াচান্দপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা জে এ সীগী থৌপুবশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাক্লম্বা মতমদা ব্লোকেদ লৈতবা লমদম ওইহন্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লমখি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক হেক পায়রকপগা ইকনমিক ব্লোকেদকী ৱারোইশিন পুরক্তুনা ব্লোকেদ লৌথোকখি। লৈঙাক অসিনা লমদমসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকখি। য়ানদনা লাকখিবা ৱাথোক কয়া মথৎ-মথৎ লোইশিল্লক্তুনা অফবা মায়কৈদা চঙশিল্লকখি। চুড়াচান্দপুর ইস্যুগী ওইনসু এম এল এশিং, জে এ সী, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন মীয়াম্না থৌদাং কয়া লৌদুনা য়ানবা পুরকখিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌগদবশিং মে ২৫ ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি।

কাংপোকপী মায়কৈদা হন্দক নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখিবা অদুদা পুলিসনা চপ চাবা থবক কয়া পায়খৎখি। লো এন্দ ওর্দর থুগায়নবা হোৎনরকপশিং চপ চাবা পাউখুম পীগনি।

ইস্যু অমা লাকপদা বন্দনচিংবা তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লৈঙাক্লা ৱারী শাননবা থোঙ লাওনা হাংদুনা লৈ। ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগদবা ঙাক্তনি। কনাগুম্বশিংনা বন্দনচিংবা তৌরকপা তারবদি লোগী মতুংইন্না চপ চাবা থবক লৌখৎপা তাবনি।

ষ্টেটসিদা লৈরম্বা ৱাথোক কয়া মথং-মথং ৱারোইশিন পুরক্লি। লৈঙাক্কী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩৪.৫৪ °C	২০.৭৮ °C
সীসীপুর	৩০.০৩ °C	১৫.২৭ °C
ইম্ফাল	৩১.০২ °C	১৭.৯৩ °C
সেনাপতি	৩০.৩৮ °C	১৭.৪৯ °C
তমেংলোং	৩২.১৯ °C	১৯.২৬ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২৪.৩৩ °C	১০.৩২ °C
মণিপুর	৩৪.৫৪ °C	১০.৩২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৪৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৯
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

জি এস খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০: ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা পায়রম্বা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এনমিনিষ্ট্রেসনগী ফম অদু কে শরতকুমারনা পায়রগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা ওর্দর থোকখ্রে।

প্রুভ ওইবা য়ারগনি

ইম্ফাল, মে ১০ : জিবন প্রমন ওনলাইন পোর্টেলগী খুথাংদা জেনরেট তৌবা দিজিটেল লাইফ সর্টিফিকেট (দি এল সী)সু ষ্টেট অসিগী পেন্সনরশিংগী প্রুফ ওইবা য়ারগনি হায়না কম্মিস্নার ফাইনান্স মণিপুরনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি। ওঠোরাইজ কমন সার্ভিস সেন্টরশিংদা দিজিটেল লাইফ সর্টিফিকেট জেনরেট তৌবা য়ারগনি হায়রি।

রিপোর্ট কৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ : স্কুল ভেন অমা পুখ্রিদা তাশিনবদা অঙাং ২১ রোম শিরমদৌরে হায়বা রিপোর্ট অমা পাউচেদা ফোঙলকখিবা অসিগা মরী লৈননা থৌদৌ অদুগী মতাংদা থিজিন্দুনা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী মায়কৈদগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরদা চে ইদুনা খঙহনখ্রে। মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ...*মখা লামায় ৩ কলম৬*

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	70.141070
US Dollar	64.578754
British Pound	83.549286
Australian Dollar	47.568503
Chinese Yuan Renminbi	9.356217
Japanese Yen	0.564821
Malaysian Ringgit	14.851380
Nepalese Rupee	0.625981
Russian Ruble	1.123116
Singapore Dollar	45.763022
South Korean Won	0.057022
Thai Baht	1.857803
Myanmar Kyat	0.04721
Bangladesh Taka	0.79406

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	28973.26
Mumbai	–	Rs	29689.84
Delhi	–	Rs	29411.76
Kolkata	–	Rs	29465.24

HL POLL

Q : Congress Legislature party gi luchingba shindoklabadi Congress ki mapangal sagatpa ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Chief Minister N. Biren na Nagaland gi Chief Minister kouraga wari sanakhibadu afaba mahei fanggadra?

Yes 63% No 37%

এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা মণিপুরগী ষ্ট্রেটেজিক ভিজন পুথোকহন্নবা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগা মরী লৈননা মণিপুরনা করম্বা খুদোংচাবা ফংবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা ষ্ট্রেটেজিক ভিজন পুথোক্লনবা ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগা মণিপুর লৈঙাক্লা এম ও য়ু খুৎয়েক পীননবা ষ্টেট কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি নুংথিল ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমগী মতাংদা লৈঙাক্লা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কেবিনেটনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং এম/এস ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী মরক্তা 'ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসীদা মণিপুরগী ষ্ট্রেটেজিক ভিজন' শেম-শানবগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা সাইন তৌননবগী প্রপোজল এপ্রুভ তৌখ্রে। এম/এস ইন্দিয়া ফাউন্দেসন অসি ন্যু দিল্লিদা বেজ ওইবা ইন্দিয়ন পোলিটিগী ইস্যুশিং, শিংনবশিং অমসুং খুদোংচাবশিংদা মীৎয়েং থম্বা মনিং তৌনা থবক তৌবা রিছার্চ সেন্টর অমনি। এম ও য়ু অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী 'এক্ট ইষ্ট পোলিসী'গী অচৌবা পান্দমশিংগী মখাদা ষ্টেট অসিবু চাউখৎহনবদা অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী কান্নগদবা ষ্ট্রেটেজিক ভিজন পুথোকপদা মতে পাংনবা ফাউন্দেসন অসিগী প্রোফেস্নেল সার্ভিসশিং ফংনবা হোৎনবগা মরী লৈনৈ।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থা অসিগী ৮ দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লোকচাওদা খুৎলায় পায়বা কাঙবূ অমনা বোমগী এটেক তৌরকপদা লৈখিদ্রবা টেরিটোরিএল আর্মিগী পার্সনেল অনীগী নক্লবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লুপা লাখ ৫/৫ গী এক্স গ্রেসিয়া পীননবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা শোকখ্রবা পার্সনেল অনীদনা লুপা লিশিং ৫০/৫০গী এক্স গ্রেসিয়া পীননবসু ৱারেপ লৌখ্রে।

নোংজু থা য়ৌদ্রিঙৈদা লৌমীশিংগী য়েংলগা য়ুরিয়া ফর্টিলাইজর ষ্টোক্তা পৈশিন্দুনা থম্মনবগী পান্দমদা য়ুরিয়া বেগ ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ককচীং অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা জেনরেল ষ্ট্রাইক চথরি

ককচীং, মে ১০ (ঐচ এন এস): ভোট থাধবদি য়ারগা মীরেপ ওইবা য়াদবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮গী ফংফম থোকপশিং ফংহনবীনবা দিমান্দ তৌরদুনা ককচীং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা চথখিবা মতম কক্তবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্লা মরম ওইরদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লনহল্লে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এম পি কেন্দিদেচর দিমান্দ কম্মিটিনা চথখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী মরুওইবা কৈথেলশিং মী ইতাক তাক্লে। ইম্ফালদগী মোরে, মোরেদগী ইম্ফাল চৎকদবা গাড়ীশিং অমত্তা চেন্নদ্রে। লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা গাড়ীশিং, ইসেন্সিএল সার্ভিসকী গাড়ীশিং অমসুং লন্নাইগী গাড়ী খরা নৎতনা মী পুথোক-পুশিন তৌবা গাড়ীশিং চেন্নখিদ্রে। জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপশিংনা মফম কয়াদা থোরক্তুনা টায়র মৈ থাবা, উ-ৱা ফৈজিন্দুনা অচৎ-অওকশিং থিংখি।

নীংশিংবা য়াবদি মণিপুরদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ গী মনুংদা ৩৩-হৈরোক, ৩৪-ৱাংজিং-তেন্থা, ৩৫-খাঙবোক, ৩৬-ৱাবগাই, ৩৭-ককচীং, ৩৮-হিয়াংলম, ৩৯-সুগনু অমসুং ৪০-জিরিবাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অসিগী ভোটর ২,৩৫,১৮২ রোমগী এম পি ওইনবগী রাইট অসি চহী ৬৫ চুপ্পা মৎপীদুনা লাক্লি। ইন্দিয়ানা নীংখা তমদুনা অনৌবা কন্সটিট্যুসন চৎনদুনা কুমজা ১৯৫২ দগী মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎ খঞ্জননবগী রাইট পীদুনা লাক্লি। রাইট অসিগী মখাদা ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি হায়না এম পি ২ খক ফংদুনা মীহুৎ ২ লোক সভাদা থাদুনা লাক্লি। আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদি শুপ্পগী সেদ্যুল্ড ট্রাইবশিংগী রিজার্বনি। ৩৩-হৈরোক, ৩৪-ৱাংজিং-তেন্থা, ৩৫-খাঙবোক, ৩৬-ৱাবগাই, ৩৭-ককচীং, ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

সী এমগী মচানুপাগী মায়োক্তা কেস থেংনবা উকিলদা কিহল্লক্লে

ন্যু দিল্লি, মে ১০ (এজেন্সী): মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মচানুপানা হাৎপীখ্রবা মীওই অমগী ইমুংগী মতেং পাংদুনা কেস লেপ্পা সুপ্রিম কোর্টকী উকিল অমদা হন্দক মিলিটেন্ট গ্রুপ খরনা টেলিফোন তৌদুনা কিহল্লকখ্রে হায়রি।

*ইন্দিয়া টুদে*দা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়, লালহৌবনি হায়বা মীওই খরনা টেলিফোন তৌদুনা কিহল্লকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী উকিল উটসব সিংহ বেন্সনা যুনিয়ন হোম সেক্রেটরিদা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীবীনবা অহৈবা চেরোল পীশিনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা বেন্সকী ৱারোল পল্লদুনা *ইন্দিয়া টুদে* গী রিপোর্টনা হায়, মার্চ ২২ গী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩০ তাবদা নম্বর অমদগী হ্বাটসএপ্ কোল তৌরকখি। মণিপুরী মচা মানবা অমসুং অশোয়বা ইংলিশতা ৱা ঙাঙলকখিবা মীওই অদু মণিপুর অমদি নাগালেন্দদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ অনীগী মীওইনি হায়না ক্লেম তৌরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (সী আই দি)তা পাউ পীবা লৈখ্রে। ৱাফম অসিমক হৌখিবা মে ৫ দা উকিল অসিনা হোম সেক্রেটরিদা থাখিবা চেরোলদসু ময়েক শেংনা পনখি হায়নসু ক্লেম তৌরক্লি। টেলিফোনদা কিহল্লকখ্রবা ...*মখা লামায় ৩ কলম১*

'সোভরেন্টি শ্যের তৌরগা হিংমিন্নবা য়াখ্রে'

গুৱাহাটি, মে ১০ (এজেন্সী): শাংলবা চহী ৩৭ খুৎলায় পায়দুনা লান হৌখিবগা লোয়ননা চহী ২০ ৱারী শানদুনা লাকখিবা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইজাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)না কায়নথংদা সোভরেন্টি শ্যের তৌরগা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাফমদা অয়াবা পীখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা টাইমস ন্যুজ নেটৱার্ককী রিপোর্ট অমনা হায়, এন এস সী এন-আই এমগী স্পোক্সমেন অমনা সোভরেন্টি শ্যের তৌরগা পুন্না হিংমিন্নবগী মতাংদা অয়াবা পীবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লে।

হৌজিক চথরিবা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল টোক মওং-মরিল চুম্না চথরি। নাগাশিংনা ইন্দিয়াগা পুন্না ঈং-তপ্পা মওংদা সোভরেন্টি শ্যের তৌরগা হিংমিন্নবগী মতাংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখ্রে হায়নসু স্পোক্সমেন অদুগী ৱারোল পল্লদুনা টি এন এনগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্টতা এন এস সী এন (আই এম) অমসুং সেন্টরনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী মতাংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখিবনি। সোভরেন্টি শ্যের তৌবগী ৱাহন্থোক চপ চানা ফোঙদোরকপা লৈত্রবসু ছোর্স অমনা হায়রিবদি নাগাশিংগী তোখায়বা কন্সটিট্যুসন, ফিরাল, পার্লিয়ামেন্ট অমসুং জুদিসিয়ারি লৈহনবগী ৱাফম ওইবা য়াই হায়রি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা নাগাশিংগী সোভরেন্টি খঙবীবগা লোয়ননা নাগাশিংগী তোপ-তোপ্পা পুৱারী অমসুং সোভরেন্ট রাইট রিকগ্নাইজ তৌবীরে হায়নসু স্পোক্সমেন অদুগী ৱারোল পল্লদুনা টি এন এনগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অসিনা হায়, বৃটিশ লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা নাগাশিং মনিংমখা তন্না লৈরম্মী। বৃটিশনা নাগালিমগী শরুক খরখক্তমক খুদুম চনবা ঙমখি। ইন্দিয়া অমদি নাগাশিংগী মরক্তা মর্জর এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখিবা লৈতে। ইন্দিয়ানা নাগালিম খুদুম চনখিবনি। অদুমকপু এন এস সী এন (আই এম)গী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অসি কয়ামুক য়াম্না থাজনিংঙাই ওইবনো হায়বদুদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী করিমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা দোনর মিনিষ্টর উনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) : মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ঙসি দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর)গী যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) উনদুনা মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম খন্নখ্রে।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা লো এন্দ হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার অমসুং য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপসু লোয়নখি। যুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্রনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরদা মণিপুরনা অহানবা ওইনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা হেলিকোপ্টর-বেজ এয়র ক্লিনিক্স লৈহনবগী ওইথোকপা লৈরে হায়না খঙহনখি। যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ সিভিল এভিএসন অমসুং যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হেল্থকা তানরগা করম-করম্বা মফমদা হেলিকোপ্টর-বেজ এয়র ক্লিনিক্স লৈহনবা য়াবগে হায়বদুসু লেপথোক্লনবা মহাক্লা খঙহল্লকখি। হেল্থকী সার্ভিস অমসুং অতৈ লম্দা শীজিন্নগদবা হেলিকোপ্টরগী সার্ভিসশিংগীদমক অকুপ্পা ৱাফমশিং তাননবা পাৱন হন্সকী মেনেজমেন্টকসু উননবা মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

এয়র ক্লিনিক্স হেলিকোপ্টর সার্ভিসকী মতাংদা পল্লদুনা ডা. জিতেন্দ্রনা হায়খি, থৌরাং অসিনা চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়ামরুমদা স্পেসিএলিষ্ট দোক্টরশিং য়াওনা দোক্টরগী টিম অমনা ও পি দি হাংবদা খুদোংচাহল্লগনি হায়রি।

সী এমনা চীংগী সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং, খুলগী চীফশিংগী ৱাকৎ তাখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) : থা খুদিংগী তাং ১০ দা চীংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং অমসুং খুলগী লুচিংবশিংগা উনগনি হায়না মাঙজৌননা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা মতুংইন্না ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীংমী লুচিংবা কয়া উনদুনা মখোয়গী ৱাকৎ তাখ্রে।

হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা উখ্রুলদা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা লাউথোকখিবা মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ ফাওবা তোঙান-তোঙানবা চীংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওই ৫০০ রোমগা উনদুনা মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা ৱাকৎশিং তাখি।

মণিপুর লৈঙাক্লা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, চীংগী লুচিংবশিংনা চীফ মিনিষ্টর উনবা অদুদা খুদোলপোৎ কয়াসু পুরক্তুনা কৎলকখি। চীংমীশিংগী খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা থবক্তা ওন্থোকপীননবা মেমোরেন্দম ওইনা পুরকপা চেরোল কয়ামরুমসু পীশিল্লমখি। চীনহায় ওইনা ৱাকৎলম্বা কয়া অমসু চীফ মিনিষ্টরনা তাখি।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা লৈঙাক্কী চেরোল অসিনা হায়, অখন্নবা নুমিৎ খরা লেপলিবসি চীংগী মীয়াম্না মখোয়গী ৱাকৎ অদু মফম চানা ৱাকৎফম ফংদবা অদু য়েংলগা থমখিবনি।

পীশিল্লম্লিবা ৱাকৎ চেশিং অদু মহাক্কী ওফিসতা কোপী অমা থমগনি অমদি মসিনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ৱাকৎশিং অদুগী মতাংদা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বদু খুদক্তা খঙবা ঙমহনগনি। কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং অমসুং এম এল এশিংনা মীয়ামগী ৱাকৎশিং অসি মতম চানা অরোন-অথুপ লৈতনা থুনা লোইশিন্ননবসু সী এমনা ফোঙদোকখি।

মীয়ামগী নুমিৎ অসি করম্বা মফমদা তৌগনি হায়বদু নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মিদিয়াগী থোঙদা মীয়ামদা খঙহন্ননবসু চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি। মসিগীসু মথক্তা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টর-শিংনা চীংগী লুচিংবশিং মখোয়-মখোয়গী ওফিসল রেসিদেন্সতা উনহন্নবসু শীনগনি হায়না চীংমী লুচিংবশিংদা থাজবা পীখি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, থা খুদিংগী তাং ১৫ দা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং, চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, কম্মিস্নার, সেক্রেটরিশিং অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনা মীয়ামগা উনবগী নুমিৎনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। মমাঙগী থাগী ১৫ দা পুলিস ষ্টেসন খরা অমসুং লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খরদসু মীয়ামগা উনবগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখ্রে।

চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) : কালেনগী থানিল নুমিত্তা পাঙথোকপা সনা কোনুংগী মশীলগী মনুং চনবা ইবুধৌ পাখঙবা চেঙ হোংবগী থৌরম সনা কোনুং উত্রা শঙলেন্না শীন্দুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা চেঙ হৈদুনা পাঙথোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা লৈবা ইবুধৌ নোংশাবা, ইবুধৌ পাখঙবগী খুভমদা চেঙ হৈবগী থৌরম, মৈরা লাংদুনা, হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হৌদোক্তুনা ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা উত্রা শঙলেনগী ফম্নাইবশিং পচাগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, ইবুধৌ পাখঙবা ইরাৎপগী থৌরম অসি সনা কোনুংগী মশীলগী মনুং চন্না ইদুনা থাল্লল্লবা থৌনি থৌরমনি। নিংথৌরেল কয়াগী হাক্তক্তগী চারোল-শুরোল, পথাং-পুথাং নাইনা, তৎপা কাংবা নাইদনা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্লি।

ইবুধৌ পাখঙবা অমসুং ইবুধৌ নোংশাবা ইরাৎপা অসি লৈবাক্কী চাকহোং ঙাহোংনবা অমসুং তংদু লৈতানবা পাঙথোকপা থৌনি থৌরমনি। মসিদসু নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা লৈঙাক্লোন্দসু নুংঙাই-য়াইফনবা, তংদু লৈতাবা লমদম ওইহন্নবা পাঙথোকপা থৌনি থৌরমনি। নিংথৌরেল কয়ানা ইরাৎ থৌনি পাঙথোকপা থৌরম অসি কালেনগী থানিল নুমিৎ অসিদা পাঙথোকপনি।

ঙসি ইবুধৌ অনী অসিদা চেঙবী হৈজবগা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনবা, নুংশি-চান্নবা, ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

অস! লোইরেহে!

নাগালেন্দগী হেরোদু ব্লোকেদ তৌহল্লরোই হায়রম্মী হায়ব্রো?

ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗꯒꯤ ꯍꯦꯔꯣꯗꯨ ꯕ꯭ꯂꯣꯀꯦꯗ ꯇꯧꯍꯜꯂꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯔꯝꯃꯤ ꯍꯥꯌꯕ꯭ꯔꯣ?



লম য়েন্নবগী ওইরমগনিদা...!

ꯂꯝ ꯌꯦꯟꯅꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯅꯤꯗꯥ...!

ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫